# ম্যান্মার ঙমখৈগী তরেৎলোক্তা মরিং ফুরুপকী য়োং শাইরেল ট্রেদিস্নেল ফিসিং ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

*তেংনৌপল, মে ১৭ঃ* তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা ভিল্লেজ ৪ হায়বদি য়োংখুল, শাইরেল শাইসিম, তেংকোনবুং অমসুং শাইরেল অতৌনা শীন্দুনা য়োংখুল অমসুং শাইরেল ভিল্লেজ অনীনা য়ুন্বী ওইরগা মরিং ফুরুপকী ওইবা মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা ঙা ফাবগী থৌরম 'য়োং শাইরেল ট্রেদিস্নেল ফিসিং ফেষ্টিভেল (করু কনফিট)' নুমিৎ নীনি চূপ্না পাঙথোকখ্রে।



থা অসিগী ১৫ য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌখিবা ফেষ্টিভেল অদুগী ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকপা লোইশিনবগী থৌরমদা এ দি সি চান্দেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর (টি এ এন্দ হিলস) কে এস এম মেথিয়ু মরিং, এগজিক্যুটিভ মেম্বর সিঐচ মেশিল, পিয়াস মকু চীংচাংলাকপা মুংমিনলিন, এ দি সি মেম্বরশিং কেঐচ মোরুং, এম মোরুংসন অমসুং মোরে টাউন কনভেনর এম কে কোখোমনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি ভিল্লেজ ৪ গী খুঞ্জাশিংনা তরেৎলোক তুরেলশিংগী অনকপা উমংশিংদগী য়াই থাবদা শীজিন্নবা উরি মখল ২ লৌরুরগা পুরক্লবা তুংদা খুঞ্জাশিংনা পোপ্না থুগায়বা অমসুং নুমিদাংগী মতমদা খুঞ্জা নুপী নুপাশিংনা নাৎকী ফিজেৎ শেত্তুনা অমদি য়াই থাবগী ঈশৈ শক্তুনা য়াইশিং অদু তুরেলগী ঈশিংদা অমুক থুগায়দুনা তিলহনখিবনি।

খুঞ্জাশিংনা য়াই অদুবু নুঙদা অমদি উদা থমদুনা পোপ্না থুগায়খি। চৎনবীগী মতুং ইন্না লাইশোন তিনশোনগা লোয়ননা ঈশিংদা য়াই থাবা হৌখিবদগী লোইদ্রিফাওবা তুরেলগী মখারোমদা মী অমত্তা কুমদুনা চৎপা য়াদে অমদি মীরোনবী নুপীগী নুপাশিং য়াই থাবা অদুদা য়াওবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখি।

অহিং অদুমা ভিল্লেজ ৪ গী খুঞ্জাশিংনা তুরেল মপান্দা য়ারেক্তুনা লৈরবা মতুং মথংগী অঙনবা অয়ুক্তা পূন্না তুরেলদা ঙা খুনবা চৎলি। খুঞ্জাশিংনা খুন্দুনা পুরকপা ঙা অদু থোংদুনা পূন্না চামিন্নখি অমদি তুরেল মপান্দা শগায় শাদুনা থল্লগা মখাদা মৈ থাদুনা ঙাশিং অদু য়াইথোক্তুনা ভিল্লেজ ৪ গী খুঞ্জাশিং য়েন্নখি।

ফেষ্টিভেল অসি শীল লাঙবগী কনভেনর এম মরিং শায়াওনা ফোঙদোকখিবদি মরিংগী লোন্দা করু কনফিট হায়না খঙনবা নাৎকী ওইবা ঙা ফাবগী কুম্মৈ অসি হান্নদগী ইপা ইপুশিংনা তৌদুনা লাকখি। ঙসিদি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা মুৎখিবা য়াবগী তাঙ্কক অমদা লাকপনা মরম ওইরগা কুম্মৈ অসি মাঙহন্দনা তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা পাঙথোকপনি। মমাংঙৈদদি অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি চহী খূদিংগী পাঙথোক্লম্লবসু ঙসিদি ঙমদবনা চহী ১০ রোমগী মতুংদা অমুক হন্না ফেষ্টিভেল অসিগী মরমদা খঙলবা অহলশিং লৈরিঙৈদা পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ফেষ্টিভেল অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা মীরোনবী নুপী অমদি থাগী খোঙকাপ লাকপী নুপীশিং অমসুং মখোয়গী নুপাশিং য়াই থাফমদা চঙবা য়াদে। তুরেল মপান্দা লৈরগা য়েংবদি য়াই। য়াই য়াইবা অসি অহিংদা য়াইরগা অয়ুক্তা ঙা থিবা চৎনৈ। অদুগা ঙা অদু ময়াম য়েন্নবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লাই হরাউবদা ঙাওশিন ফৈজিন্নবা তৌবিগনু ঃ উকল

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* ঐখোয়গী থাদোক্লবা য়াদ্রবা থৌদৌ অমা ওইনা পাঙ- থোক্লিবা লাই হরাউবগী থৌরম অসিদা কনাগুম্বনা ঙাওশিন ফৈজিন্নবগী থৌওং তৌবিগনু। মশা মশাগী অপাম্বা মওংদা তৌনিং তৌনিংবা তৌশিনবগী মতম নৎত্রে হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খঙবিয়ু হায়না উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরী এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মুৎপা মাঙবা য়াদবা ফুরুপকী শক্তম শাগোন্নদুনা চৎলিবা লাই হরাউবগী খোঙচৎপু খঙফাৎতনা ৱাখলনা শাগৎলগা শেমদোক শাদোকপা, হোংদোক হোংজিন তৌনবা হোৎনবিগনু। হৌজিক লৈরিবা লাই হরাউবগী ফিভম অসিদা তোৎশিন য়ানশিন্নবা কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৌথোকপা তারবসু মীয়াম অমসুং অখঙ অহৈ তান্নবা তঙাইফদে।

তাঞ্জা অসিদা লাই হরাউবগী জগোয় তন্নিবী খরনা মাইবীগী শরোং শীজিন্নদুনা লাই হরাউবা য়াওশিল্লকপা, লাইরোলনা, জগোয়না, ঈশৈনা, খূৎথেক্লা, খোঙথাঙনা, শাথেক্লা, পাঙথোক্লিবা লাই হরাউবগী থৌরম অসিগী তাঙ্ককশিংদা পাম্মী হায়দুনা লোং পায়দুনা লোংখোন জগোয় শাগৎলকপা, খুনুং, খুলং ঈশৈ অমদি পেনা ঈশৈগী শৈহেক শৈদাগী মহুত্তা অতোপ্পা শৈহেক শৈদা তৌশিল্লকপা, মৈ চঙবা পোৎলম য়াওবা য়াদবা নুরাবীগী চাকয়োমদা কবোক অফাবা ঙাক্তা হাপচিল্লকপা, অতোপ্পা ফুরুপ কাঙলূপ্তা ময়ুম পান্দুনা মচা লৈরবী মাইবীনা লাইবুং চঙদুনা লাইথৌ য়াওশিল্লকপা, লাইমাঙদা থাবল চোংশিন্নবা হোৎনরকপা, নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ উৎফম লাইমাঙদা ফেন্সি দ্রেস তৌশিনবা, নুমিদাংদা অহৌবা মাইক হোরোন শীজিন্নবা, কা হেন্না লাঙবনচিংবা কয়া থেংনরি। অসিদা নত্তনা চুন্না তৌরুবা মীওই কয়া অরানবা তাহন্দুনা খৎনবা হৌবগী মশীং খঙদনা থেংনরি।

তোঙান তোঙানবা লৈকাই খুলগী লাই হরাউফমদা উকলগী অখন্নবা মোবাইল য়ুনিটশিং থমদুনা য়েংশিল্লি। অসিদসু নত্তনা অখন্নবা কাঙবু অমনসু লাই হরাউফম অয়াম্বদা হাকথেংননা চত্তুনা অকোয়বগী ফিভম, মীয়াম্না শরুক য়াবগী মওং, লাইথৌগী মওং অমদি শীল- লাঙবগী মওং মতৌসু কূপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তৌরোইদবা কয়া তৌশিন্দুনা লাই হারউবগী খোঙচৎ থৈহনখিবা য়াবা কয়া অসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা লৈকাইগী খুনগী চৎনবীনি, ইপা ইপু হাক্তক্তগী চৎনরক্লবনি হায়দুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদা তাইশিন্নবা অসি খ্বাইদগী অরুবা অমা ওইরি। মসিগুম্বসি তৌবিগনু। চহী খরা অসিদা লাই হরাউবা কাংখোং চাইখিবা ঐখোয়গী মীৎমাঙদনি। মালেমগী অহোংবা অসিদা ঐখোয়না ইশাগী, ফুরুপকী শক্তম শাগোন্নদুনা চৎলিবা লাই হরাউবগী খোঙচৎ অসিদা তৌশিল্লিবা তৌরোইদবা কয়া অসি তৌদনবা লিক্লম কাঙলোন ঙাক্লবা হোৎনবিয়ু। তৌদবা য়াদবা অমগুম্না ঙাওশিন ফৈজিন্নবা অমদি ৱাখলনা শাগৎলগা পংতৌ তৌশিনবগী থৌওং তৌবিগনু হায়নসু মখা তারি।

# ঐচ লংচম ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম শিন্নখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেদগী কিলোমিটর ৪ রোম চঙশিল্লগা লৈবা ঐচ লংচম ভিল্লেজদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা শাদুনা খুঞ্জাশিংদা শিন্নখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা লুপা লাক্ষ ২২.৫ চঙনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি থা ৩ গী মনুংদা শাগৎখিবনি। স্কিম অসিদা ঈশিংগী ছোর্স লৈবা অরাপ্পা মফমদগী পাইপ লাইন তিংবা অমসুং ৱাটর পম্পিংগী খুদোংচাবা য়াওরি। অসিদসু নত্তনা হাইজিনিক ওইবা মওংদা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা সেদ অমসুং লিটর ১০০০ গী দিদিকেটেদ সিন্টেক্স টেঙ্কসু য়াওরি।

স্কিম অসিনা পুং ২৪ চূপ্না অশেংবা অমসুং হাইজিনিক ওইবা ঈশিং ভিল্লেজ অসিগী য়ুমথোঙ কয়াদা ফংহনগনি। ম্যান্মার ঙমখৈদা খুন্দারিবা ঐচ লংচম ভিল্লেজদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা অসাম রাইফলসনা শাদুনা খুঞ্জাশিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবগীদমক খুঞ্জাশিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি ঐচ লংচম ভিল্লেজদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা মোরেদা লৈবা ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুমিট অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং, এ দি সি চান্দেলগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দর বৃগেদিয়র সুনিল সিওরান এস এমনা স্কিম অদু শঙ্গাবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংদা শিন্নখি। তুংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বৃগেদিয়র সুনিলনা হায়, ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াগা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈরিবা ভিল্লেজশিংদা অসাম রাইফলসনা মতম মতমগী মতেং পাংলি, মখা তানা অতৈ ভিল্লেজশিংদসু পায়খৎপা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিন্দুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনরি।

ভিল্লেজ চীফ এল হাওকিপকী মনাওনুপা লেথাও হাওকিপ্না পাউমীশিংদা হায়, ঐচ লংচম ভিল্লেজ অসি মতম কয়াদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লদুনা খোঙনা কিলোমিটর ১ রোম চৎলগা চীংনুংগী লোক্তগী ঈশিং শোক্লগা য়াম্না ৱানা শীজিন্নরকখিবনি। অদুবু ঙসিদগীদি অসাম রাইফলসনা খুঞ্জাশিংগী অৱাবা য়েংলগা অফবা থক্লবা ঈশিং পীবিবা অসিমক থোদোক্না শীংথানিঙাইনি।

## মেগা ব্লদ দোনেসন

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শীনপাঙলূপ (এইমস)না শীন্দুনা পারি পুরিগী লিক্লম কন-নবা কখোক্লবা ঈশেং ঈ হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প ২০১৯ হয়েং থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## থিয়েটর ৱার্কসোপ এন্দ প্রদক্সন

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱানা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মতেংগা লোয়ননা উচিৱা ৱাংমা জুনিয়ার হায়স্কুলগা খূৎশম্নদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী চথরকখিবা নুমিৎ ২০ নিগী রেসিদেন্সিয়েল প্রদক্সন ওরিয়েন্টেদ থিয়েটর ৱার্কসোপ ২০১৯ এন্দ প্রদক্সন ওফ নুরা শান্থলেম্বী হায়না মিংথোনবা থিয়েটর ৱার্কসোপ থা অসিগী ২০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোইশিল্লগনি।

লৈময়োন আর্ট সেন্টর চীংঙামখা শিংজমৈদা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৩ দা ৱার্কসোপ প্রদক্সন ওইনা লৈখিদ্রবা হাওবম তোম্বগী নুরা শান্থলেম্বী হায়বা লীলা উৎকনি হায়না কংলাগী সেক্রেটরী থৌনাওজম প্রেমজিৎ সিংহনা ফোঙদোরক্লি।


**Awangjiri Khul Committee, Awangjiri**
**P.O/P.S.-Nambol Imphal West**
**Manipur-7950134**

**খঙহঞ্জবা**

Shri Leitanthem Kuber Singh S/o (L) L. Angou Singh, Nambol Awangjiri গী মিংদা লৈবা Patta No. অরিবা ১০৯, অনৌবা ১০৯/২৮৯, Dag No. ৩৮৮,৩৮৭/৫৭৩ (.৫২, .০৬), তাওথবী লৌফম, খুলগী নং ৯৩-অৱাংজিরিসি মচিন-মনাওশিংগী চয়েৎনবা লৈবা মরম্না য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা মরী লৈনবা Department নসু কনাগুম্বা / কনাগুম্বীশিংদা mutation তৌবা য়াবিগনু হায়না হায়জরি।

চয়েৎনরিবা লৌফম অমসুং ইঙ্খোলগী Patta No. & Dag No. পীজরি।

১। লৌফম ঃ Patta No. অরিবা ১০৯, অনৌবা ১০৯/২৮৯, Dag No. 388, 387/573, Taothabi লৌফম খুলগী নং ৯৩-অৱাংজিরি।

২। ইঙ্খোল ঃ Patta No. অরিবা ৮১, অনৌবা ১৩০/৪৪৬ , দখল তৌরিবা Dag No. ৩১৯-অৱাংজিরি Dag কী কালী ০.৮৮০০০ অনীসিগী মতাংদনি।

Sd/- E. Somarendro
Secretary, Awangjiri Khul Committee
Awang Jiri

SL/Bill(S)/18


# প্রিপাক্কী কাদর অনী অমসুং এম এন আর এফ মেম্বর অমা ফারে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম্না চৎলিবা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা তোঙান তোঙানবা মফমদগী এম এন আর এফকী এক্টিভ মেম্বর ১ অমসুং প্রিপাক্কী এক্টিভ কাদর ২ ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১৪ হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৩৫ রোম চৎপা অদুৱাইদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা সঞ্জেম্বমদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা মণিপুর নাগা রিভোলুস্নরি ফ্রন্ট (এম এন আর এফ)কী এক্টিভ মেম্বরনি হায়বা শাংলাই সোথেমনিং (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা সিমরৈশাং কামজোং দিষ্ট্রিক্ট সঞ্জেম্বম নুংপোকপি চীংখোঙদগী ফারে। মঙোন্দগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল (এফ টি আর ৬১এম ০০৮৭৯১৯০) অহাঙবা মেগজিনগা কোন্না ফংলে। লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চখরি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা তোপ খোংনাংখোঙ ময়াংলম্বম লম্পাক ময়াদা অচৎ অওক চেক তৌবদা প্রিপাক্কী এক্টিভ কাদরনি হায়বা য়েংকোকপম রোমেন সিংহ (৩৫) অপোকপা মনিমোহোন সিংহ ফারে। মহাক তোপ খোংনাং- খোঙদগীনি। মখা তানা লূপ অসিগী অতোপ্পা এক্টিভ কাদরনি হায়বা থাঙশাবম মরাদোনা এলাইজ নাওচা (৩০) অপোকপা দিলক মৈতৈ ৱাংখৈ তোকপম লৈকাইসু কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই পুখ্রি অচৌবা ময়াদগী ফারে। মখোয়গী মথক্তা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চখরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লাইবুংগী অকোয়বদা নিষা চাবা য়োনবদা মীৎয়েং চঙলগনি ঃ লেৱা

*থৌবাল, মে ১৭ঃ* চৎলিবা থা অসিগী ১৮ হয়েং থাংজ নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা কুমসিগী লমদিং ইকোপ নিংথৌ হরাউ মথোই কাবগী থৌরমদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা লাইবুংগী অকোয়বদা নিষা চাবা য়োনবদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না লমদিং ইদুকেটেদ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা)না ফোঙদোরক্লি।

লেৱাগী সেক্রেটরী এন রোমেন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লাইগী থৌরমগী ওন্ন-তৈনবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন থকচিল্লগা লাইবুংদা অমাঙ অশোয় তৌবা থিংনবা হোৎনবগী পান্দমদা লেৱানা লাইবুংগী অকোয়বদা নিষা য়োনবা অমদি চাবদা মীৎয়েং চঙনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

লাই হরাউবগী মিংদা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়ানা নুমিদাংগী মতমদা নিষা শীজিন্নদুনা অরেম্বদা পুন্সি মাঙহল্লিবা অসি লমদমসিগী মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি থৌগল্লুপশিংনা পূন্না হোৎনদুনা থিংনবা হোৎনহৌদ্রবদি লাই হরাউবা অসি ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা চৎখিবা য়াই। লোয়ননা তুংগী মীরোলনা হৌজিক্কী মীরোলবু ৱারৌরকপসু য়াই। অদুনা লাইগী থৌরম মশক থিদনবা নহাশিংগী পুন্সি কন্নবা লৈকাই লৈকাইগী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবশিংনা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

# অম্মিক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম খরদা মীয়াম্না য়েংবদা নুংঙাইতবা, মওং মরিল তাদনা আর্টিষ্টশিংদা অয়েৎ অপন পীবগী থৌদোক তোয়না থোরকপদা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক)না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরী এম ধনঞ্জোয়না ফোঙদোরকখিবদি শৈফমশিংদা ঈশৈ তাবা লাকপা মীওইশিংগী মরক্তগী ফত্তবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন থকচিল্লগা মীয়াম্না য়েংবা নুংঙাইতবা থবক থৌওং অমত্তা তৌবিগনু। আর্টিষ্টশিংনসু য়াম্না চেকশিন্না মথৌ পাঙথোক্তুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। ওর্গনাইজরশিংনা শীল লাঙবদা আর্টিষ্টশিংগী ফম্ফম মতিক চানা শীনবিদুনা শৈফমগী অকোয়বদা ফত্তবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওই চঙহনবিগনু অমসুং ষ্টেজদা মরী লৈনদবা মীওই অমত্তা কাহনবিগনু।

ষ্টেজগী অকোয়বদা আর্টিষ্টশিংবু লক্লবগী মওংদা জগোয় শাবা অমসুং পৈশা থাবনচিংবসু তৌবিগনু। মীয়ামগী থৌগল তৌজরিবা আর্টিষ্টশিংবু নুংশিবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* দেসাম নোর্থ ইম্ফাল লোকেল কাউন্সিলগী স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স এন্দ এন্টি দ্রগকী ফম পুরম্বা খাবম হৈবোং মখোঙদগী হাওবিজম প্রেমজিৎ মৈতৈ অপোকপা তোম্বিরৈনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা দেসামগী থৌমীশিংনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

দেসামগী দিপ্যুটি সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা জাসমিনি লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসাম হেদ ওফিস্তা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্না লৈনবগীদমক থৌনিজবগা লোয়ননা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা প্রেমজিৎ লিবরেল কলেজ লুৱাংশংবমদা গ্রেজুয়েসন লোইশিনখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী অচঙবা থৌমী অমা ওইরম্মী। মহাক্না মতম চাদনা লৈখিদবা অসি লূপ অসিগীদা নত্তনা ইরমদম অসিগী ওইনসু মাঙজবা অমদি ওইরগনি হায়রি।


**SANGAIPROU F.C.I. GODOWN দা থবক তাং ২০।৫।২০১৯ দগী লেপ্লগনি হায়বসিগী মতাংদা খঙহঞ্জবা**

CAF & PD Labourers Welfare Assn. না F.C.I. Godown Snagiprou দা চেঙ থাংবগী থবক লেপ্লগনি হায়রিবসি প্রজা মীয়ামগী য়েংলগা তৌবিগনু হায়না Handling Contractor না হায়জরি। মরম অদুনা মীয়ামগী মাঙগদবদু য়েংবিরগা থবক মখা চখবিয়ু হায়না নুংশিজরবা শিন্মীশিংগী মফমদা নোল্লুক্না খঙহঞ্জরি। মমাঙ March, 2019 থাগী খূৎশুমন বেগ ১ দা লুপা ২/- চাংদা পীনখ্রে। Money Receipt তসু খূৎয়েক পীনখ্রে। Contract অসি Adhoc নি থা তরুক্কীনি। খবরগী থোঙদা হুন্দোক-হুঞ্জিন তৌদুনা ইবসু পামজদে মসিনা ঐখোয় মশেন নুংশিনদবগী মরম ওই। Unit মরিগী Team Leader শিংনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না Rate খরা হেনগৎপিয়ু হায়বসি থবক্তু য়েংলুরগা মরম চায় খনবদগী বেগ অমদা লুপা ৩/- লেপ্পনি। Assn. না মদুদা Tender Amount কী মথক্তা হেন্না Propose তৌবনি।

মসিদা ইকাই খুম্নজরিবা C.S.O. শিং খঙ-হৈরবা ওঝাশিং অমদি মরী লৈনবা Deptt. কী অশানবা মীৎয়েং থম্বীদুনা নাকল অনীমক্কী য়াইফনবা মওংদা তুং-কোইনা চৎনগদবা মতুং থোক্তনবা মরম চাবা চৎন-পথাপ, মতম মতমগী ওইবা অমা অথুবা মতমদাশেম্বিরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি হায়না হায়জরি। মদুদা পীবিরকপা Suggestion/ পাউতাক খূদিংমক ইশানা য়ানা লৌজগনি হায়না Handling Contractor না হায়জরি।

Sd/-
Proprietor
B.K. Enterprises

SL/4807/18


# কাউন্টিং পার্সোনেলশিংগী ট্রেনিং হৌখ্রে

*বিষ্ণুপুর, মে ১৭ঃ* বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা ১৭ শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী ভোট মশীং থিবদা য়াওগদবা তোঙান তোঙানবা কাউন্টিং ষ্টেসনদা মথৌ তৌগদবা মীওইশিং অহানবা রাউন্দগী ট্রেনিং ঙসি কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেন বিষ্ণুপুরদা হৌখ্রে।

দি আই ও বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা শীন্দুনা চথখিবা ট্রেনিং অদুদা কাউন্টিং সুপরভাইজর, কাউন্টিং এসিষ্টেন্ট অমসুং মাইক্রো ওবজার্ভরশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা এ আর ওশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যু- য়েন্সিগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬ কী ভোট মশীং চৎলিবা থা অসিগী ২৩ শগোলশেন নুমিত্তগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা থীগদৌরিবনি। মসিগীদমক মরোল অহুম থোক্না সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎখ্রে।

অনীশুবা রাউন্দগী কাউন্টিং পার্সোনেলশিংগী ট্রেনিং চৎলিবা থা অসিগী ২০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ম্যান্মারগী কোর্টনা ইন্দিয়াগী লালহৌবা ২৪ চহী ২ জেল পীখ্রে

*গুৱাহাটি, মে ১৭ঃ* ম্যান্মারগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লোৎতুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী লালহৌলূপশিংগী মথক্তা চখবা ওপরেসনদা ফাগৎলকপা লালহৌবা ২৪ ম্যান্মারগী কোর্ট অমনা চহী ২ /২ কৈশুমশঙদা লৈনবগী মীয়ৎ পীখ্রে।

ম্যান্মারগী সৈগ্যাং রিজনগী কমটি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা জেলদা লৈনবা মীয়াৎ পীখ্রবা লালহৌবগী কাদর ২৪ অদু অসাম অমসুং মণিপুরদগীনি হায়না ন্যুজ ১৮দা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অমগী লূচিংবা অমনা ফোঙদোরকই হায়না ক্লেম তৌরি।

জেলদা লৈখ্রবা লালহৌলূপশিং অদু য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম-ইন্দিপেন্দেন্ট (অলফা- আই),মণিপুর পীপলস আর্মি (এম পি এ),কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল),পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ), পীপলস রিভোলুসন্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) অমসুং প্রিপাক (প্রো)গীনি।

হৌখিবা জনুৱারি ২৯দা টাকমাদো (ম্যান্মার আর্মি)গী কাঙবুনা নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ -খপ্লাংগী হেদ ক্বার্টরদা লান্দাখি। নাগাগী সেভ এডমিনিষ্ট্রেটিভ জোননি হায়না সাইগ্যাং রিজনদা লৈরম্বা কেম্প অদু ম্যান্মার আর্মিনা লৌশিনখ্রে অমসুং থুগায়দুনা মফম অদুদগী লালহৌবশিং তকথোকখ্রে।

হায়রিবা ওপরেসন অদু হৌজিকসু মখা চখরি।

# অঞ্জলি লাইশ্রমবু হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোহসেম)না লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজাম ২০১৯ গী সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৫ শুবা পোজিসন ফংলকখিবী থোংজু পার্ট টুদা লৈবী অঞ্জলি লাইশ্রমবু থোংজু চিংগোলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লবনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরী সরত সাপম্না ফোঙদোরকখিবদি ঙসি ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অঞ্জলি লাইশ্রম্না সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৫ শুবা পোজিসন ফংদুনা লৈকাইগী মিংচৎ পুরকখিবদা হরাউ তরাম্না ওকখি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা হেন্না মীথোই মীহেনবা ওইরক্নবা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি শেলগী মনাসু পীখি।

অঞ্জলি লাইশ্রম থোংজু পার্ট টুদা লৈবা লাইশ্রম বুধ সিংহ অমসুং গিতা দেবীগী মচানুপীনি হায়রি।

# মোন্সাং মীয়াম্না অৱাবা ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৭ঃ* মোন্সাং পন্থা ভিল্লেজ চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী এসিষ্টেন্ট চীফ (সেনাপটি)এন জি বেনৌনা মতম খরা নারল্লগা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মোন্সাং মীয়াম্না অৱাবা ফোঙখ্রে।

সিরটি উপ রু (মোন্সাং ট্রাইব য়ুনিয়ন), ৱুমেন য়ুনিয়ন (এস এস আর), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এস টি এস) অমসুং চীফস এসোসিয়েসন (এস ই আর)গী মীৎয়েং মখাদা মোন্সাং মীয়াম্না এন জি বেনৌনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। মহাক ঙসি ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা লৈখিদবনি।

এন জি বেনৌ মীয়াম্না শকখঙবা ফোল্ক শিঙ্গরনি অমসুং মোন্সাং ট্রাইবকী কষ্টমস অমসুং ট্রেদিসনগী লমদা থোইদোক্না খঙবা হিষ্টরিয়ান অমসুনি। মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি ইমুং মনুং অমসুং ভিল্লেজগীদা নত্তনা মোন্সাং ট্রাইব য়ুনিয়নগী চাউনা মাঙজবনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এন জি জিলবার্টনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (১৮-০৫-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, শেল চৎপা, হকচাং ফবা ৱাৎপা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংঙউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, ৱা থোকপা, মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** চাউখৎপা, হোৎনবা য়াবা, মীনা নুংশিবিবা, পোৎ মাল লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** য়েক্লবনা চঙজরকপা হায়জরবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন থেংনবা, গারী তপ্না থৌগনি। তপথবা ফগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। কল্লকপা হেনগৎলগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ খরা ফত্তে।

**কন্যাঃ** চরক চহিং নাইবা মরত্তগা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংবা ফগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ চাং অমদা লৈ।

**তুলাঃ** হোৎনজমন কান্নবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫, ১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, তোখাই তাবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎলগনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চয়েৎনবা, খৎননিংবা, শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। পোৎ লৈবদি য়াগনি, অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** কুইনা খঞ্জরকপা পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা, লম চৎপা কান্নবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

